# হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাক্লা মরু ওইনা টার্গেট তৌজরিবসিদি ওলিম্পিক্কী থাক য়ৌবগা লোয়ননা মেদল পুরকপনি



(ঙরাংগী মখা)

ইমুং-মনুংগী মতাংদনা জুনিয়র হোক্কি শান্নরোয় থৌদাম সুমননা অসুম্না হায়বিরকখি। মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদি লায়রবা ইমুংদগীনা অয়াম্বনি। শান্নবা পাম্নবদগী ইমুং-মনুংনা য়াদ্রবসু ঙম্ন-ঙম্ননবা নম্ফুদা থোক্লরকখিবা ঙাক্তনি। স্পোর্টসকী নিশা অসিসু অঙকপনি, কনানসু থিঙবা ঙম্লোই। ঐগীদি লাইবক ফবা অমনা হোক্কি পাম্বা ইমুং অমদা পোকচরুবনা অয়েৎ-অপন, অথিং-অরাক অদুগুম্বদি থোইনা লৈখিদ্রে। অদুমকপু ঐসু য়াম্না হেন্না নুংঙাইবা ইমুংগী মচা-মশুদি নৎচদে। অপিকপা ময়াই ওইরপ ওইনা হিংজবা ফেমিলি অমদগী হৌজরকপনি। ঐবু পোকপা বাবানা কার্পেন্টরনি, অদুগা ইমানা ইমুং-মনুং পুবগা লোয়ননা অঙ্গনৱাদিগী ৱাকরসু ওই। শেল-থুমগী মতাংদদি অদুক য়াম্না শাফবা হায়বদুদি ওইদে। খিত্তং ৱাজরবসু ফেমিলিদগী মোরেল সপোর্টতি ঐহাক খিত্তং চানা ফংজরকখি। অদুনসু ঐহাক য়াম্না ফ্রি ওইনা ইনিং তম্না শান্নজবা ঙমজবনি। মখা তারকপদসু হেন্না ফজনা শান্নজগে হায়নসু অদুম খনজে। য়ৌগে খনজ রিবা পান্দমদু ফংদ্রিবনিনা হৌজিকসু ঐখোয়দি হেন্না হোৎনখিবা তাবনি।

অমরোমদা, কুমজা ২০১৬তগী হৌরগা ইন্টর্নেসনল থাক্কী টুর্নামেন্ট খরা শান্নজরুবা, টেষ্ট সেরিজশিংদা লেপ্তুনা মথং মথং য়াওজরকপদগী হৌজিক্তী মীয়াম্নসু ঐখোয়বু খরগীমখৈদি শকখঙবীরে। ঐখোয়গী মমাংদা শান্নবীরম্বা সিনিয়র ইচেশিংনা হোক্কিসিদদি লম্বেলসু ফজনা শেম্বীরম্মী। ঐখোয়গী ইচেশিংনা ইন্দিয়া টিমগীদমক মীঙচৎ পুরক্লম্বা কয়া ঙসিসু কাউনদ্রি। মরম অদুনা ঐখোয়না খিত্তং ফজনা থৱায় য়াওনা শান্নজরকপদা এপ্রিসিয়েট অদুম তৌবী। হৌজিক্তী ৱেষ্টর্ন রেলৱেজ মুম্বাইদা থবক তৌদুনা লৈবীরিবা ইচে ময়ামসিনা বিচু ঐখোয়নিবু মশক মুন্না খঙবীরে। ইচে ময়ামসি লৈবনা ঐখোয়দসু হেন্না নুংঙাইজবা, চাওথোকচবা পোকচৈ। বিচু ঐখোয়নীনা শান্নবা উখিবা ইচেশিংনসু ঐখোয়বু ফজনা থাগৎপীবগা লোয়ননা পুক্নিংসু অদুম থৌগৎপীরম্মী। ঐহাক্লা ষ্টেট সিরিজ অহুম্লক্তা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেনগা ওইদুনা শরুক য়ারকপদুদা মতম খরদংগা ফজনা শান্নরকখো, থবক্কীদি ঐখোয়না চেনবীগনি হায়নসু ফোঙদোকপীরম্মী।

সিনিয়র ইচেশিং ময়াম লৈবা ৱেষ্টর্ন রেলৱেজ মুম্বাইদা ঐখোয়সু থবক তৌদুনা লৈজনিংই। অতৈ অতোপ্পা মফমদদি লৈনিংদে। ঐখোয়বু গাইদ ফজনা তৌবীবা ঙম্বা ইচেশিংগী মনাক্তা লৈরগা শান্নরবদি ঐহাক্লা ফংনিংলিবা পান দমসি শোয়দনা য়ৌবা ঙমগনি খল্লি।

অদুগা, থবক্কী মতাং অসিসু মথং চহী কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদদি শোইদনা য়াগদবা মাল্লি। ইচেশিং পুন্না প্রেক্টিস তৌদুনা শান্নমিন্নবা মতমদা খরা হেন্না ইমপ্রুফ লাক্কদবসু মাল্লি। অতোপ্পা ষ্টেটকী প্লেয়র

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

মরক্তা শান্নববুদি ঐখোয়না মেজে ারিটি ওইবা মফমদা শান্নবনা হেন্নসু নুংঙাইগনি খল্লি।

হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাক্লা টার্গেট তৌজরকখিবসিদি কুমজা ২০২৪গী ওলিম্পিক গেমস ফাওবনি। মথং চহীদা তৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০ অসিদদি সিনিয়র প্লেয়র ফজবা ময়াম অমসু লৈরিবনিনা হায়জিল্লুবা ৱাগনি নিংই। হৌজিক ইন্দিয়া কেম্পতা মখা তানা কোচিং য়াওহৌরিবসিসু মণিপুর মচাদদি ইচে সুশিলা মতোমতা ঙাইহৌরে। ঐহাক্তী হৌজিক দিসেম্বর ৩দগীনা ৮ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেনবেরাদা পাঙথোকখিবা অন্দর ২১ (জুনিয়র)গী থ্রি নেসন হোক্কি টুর্নামেন্টতু শান্নজরুবা মতুংদা মণিপুরদা মতম খরগী ওইনা থোকচরকপনি। ন্যু জিলেন্দনে, ইন্দিয়ানে, ওষ্ট্রেলিয়ানে লৈবাক অহুমগী ওইবা টেষ্ট সেরিজ অদুদা ঐখোয়না গোল্ড মেদলসু লৌজরকখি। হন্দক চৎচরুবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী হোক্কি টিমদু ঐহাক্লা কেপ্টেন ওইরগা লিদ তৌজখি। কুমজা ২০১৯ অসিদা টুর্নামেন্টতা কেপ্টেন ওইনা অহুম্লক চৎচখিবসি ঐঙোন্দা সরপ্রাইজ ঙাক্তনি। ইন্দিয়ন টিমগী কেপ্টেন ওইনা চৎলক্কনি হায়বসিমদি ঐহাক কৈদৌনুংদা খল্লুবা লৈখিদে। এসিয়ন গেমসতা মায় পাক্লা শান্নগে, ওলিম্পিক্কী থাক য়ৌনা শান্নজরগা হোক্কিদা ওলিম্পিক মেদল পুরক্কবা হোৎনজগে হায়বা অদুগুম্বগী মঙলানদি মতম চুপ্পদা শাগৎচৈ। ওলিম্পিক্কী মঙদি হৌজিকসু নুমিৎ খুদিংগী মঙলি।

(লোইরবা)



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৯

১) করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা সরক্তা (Road) লমশাং থৌবা সাইকল লমজেন্দা রেলৱেজগী ক্রোশিং (Railway Crossing) তরুক হেন্না লাম্থোক্লা থৌহনখিবগে?

২) কুমজা ১৯০৫দা করম্বা টিম অনী লৈবাক মীয়াম খঙনা মুক্লা কাঙজৈ শান্নখিবগে।

৩) পোলো শান্নবদা মণিপুরিশিংনা শাগোল নাপু মচুবু করি হায়না খঙনবগে?

৪) মহাক্লা ওলিম্পিক্কী অহুমশুবা সনাগী মেদল হেক ফংবগী মেদল য়েন্থোকপা লোয়বগা মহাক্কী মপা অমসুং মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অসুম্না হায়, 'মসি অফবা থবক অমনি, মসিদা মেদল অহুম লৈরে' পাজি, অমনা নঙগীনি, ইমা নঙগীসু অমনি, ঐগীদমক অহুমশুবা অমা লৈরে'। নুপা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিংঅদুদগী দ্রোওৎচরগালাইবককফবামীশকঅমাখনজগনি।লোয়ননাখল্লবামীশকঅদুদামনাপীজগনি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়া চহী অসিগী খ্বাইদগী ফজবা জুনিয়র রেষ্টলরগী মনা ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়াবু য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংনা চহীসিগী খ্বাইদগী ফজবা জুনিয়র রেষ্টলরনি হায়না মিংথোল পীখ্রে।

পুনিয়ানা চহীসিদা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌদুনা চহী ১৮ হেন্না ইন্দিয়ান গোল্ড লৌবা ঙল্লক্তুবা ইভেন্ট অদুদা মহাক্লা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখিবনি। মদুগী মতুং দিপক পুনিয়ানা সিনিয়রগী থাক্তা খোঙ থাংজিনখি। চহীসিদা পাঙথোকখিবা সিনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক ফাইনেলদা ইরানগী রেষ্টলর হসন য়াজদানিগা লম্বা তৌগদবা অদু সেমিফাইনেলদা শোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমখিদবদগী সিলভর মেদল ফংহৌবনি। অদুবু চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক কিলোগ্রাম ৮৬কী কেটগোরিদা ক্বালিফাই ওইখি।

দিপক পুনিয়ানা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড রেষ্টলিংনা পীবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা কে জি ৮৬কী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইবা ঙল্লি। কুমজা ২০১৬ কেদেদ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা দিপক পুনিয়াবু ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়নগী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা রসিয়াগী মুরাদ গাইদারোবকী মীৎয়েং মখাদা অকনবা ট্রেনিং চথরি।

দিপক পুনিয়ানা ফোঙদোকখিবদা গাইদারোবকী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী অশোনবা মফমশিং অদুদা অকনবা ট্রেনিং চথরি।

# বেঙ্গালুরু এফ সিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা লীগ টেবলগী মকোক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে

Match on 19 Dec. (Thu.)
JAMSHEDPUR Vs MUMBAI CITY



গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ৬শুবা এদিসন ওইনা চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ১৬ ফংদুনা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী মাংওইননা য়ুম্বু ওইখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি মেচ ৭ শান্নখিবদা অনী মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা ৪ দ্রো চৎলগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।

টিম ১০ থোক্লা লম্বা তৌনরিবা অসিদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সি মেচ ৮ শান্নখিবদা ৩ মায় পাকখিবা, ৪ দ্রো চৎতুনা মেচ অমা মায়থীবা নংখিবা অদু থারগা পুন্না পোইন্ট ১৩ ফংদুনা ৩শুবা পোজিসনদা লৈখি।

টিম অনীমক মায় পাক্লনবা শান্নবা হৌরকপা অদুনা লম্বা মান্নবদগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা বোল হেন্না পায়বা ঙল্লবসু বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈনখি। শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২৩ চঙশিল্লকপদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল সেত্রিনা অশোইবা য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তারকপদা নোর্থ ইষ্টকী শান্নরোয়শিং ইক্বেলাইজর ফংনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদ্রিঙৈ মেচকী ৮০ শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদগী পার্টালুনা বোল অমা পুশিনখিবা অদু অলবার্ট সেরাননা ফংলগা পাঞ্জল ওন্থোকপদগী বেঙ্গালুরু মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru | 9 | 4 | 4 | 1 | 11 | 5 | +6 | 16 |
| 2 | Goa | 8 | 4 | 3 | 1 | 15 | 9 | +6 | 15 |
| 3 | ATK | 8 | 4 | 2 | 2 | 16 | 7 | +9 | 14 |
| 4 | Jamshedpur | 8 | 3 | 4 | 1 | 11 | 9 | +2 | 13 |
| 5 | Mumbai City | 8 | 2 | 4 | 2 | 13 | 15 | −2 | 10 |
| 6 | NorthEast United | 8 | 2 | 4 | 2 | 8 | 11 | −3 | 10 |
| 7 | Odisha | 8 | 2 | 3 | 3 | 11 | 11 | 0 | 9 |
| 8 | Kerala Blasters | 8 | 1 | 4 | 3 | 8 | 10 | −2 | 7 |
| 9 | Chennaiyin | 7 | 1 | 3 | 3 | 5 | 11 | −6 | 6 |
| 10 | Hyderabad | 8 | 1 | 1 | 6 | 7 | 17 | −10 | 4 |

# রঞ্জি ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপ্তা মণিপুরগী টিম নাগালেন্দদগী রন ২০০ শোখরগা লৈরি



কোলকতা, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা রঞ্জি ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা নাগালেন্দদগী মণিপুরনা ঙসি অনীশুবা শান্নবা লোইশিনখিবদা রন ২০০ শোখদুনা লৈরি।

মেচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা ঙরাং বেট্টিং তৌবগী ৱারেপ লৌখি। অদুবু নাগালেন্দগী বোল্লর ইমলিৱাতি লেন্তুনা মণিপুরগী বেটচমেন ৭ আউট ওইহনখিবা অদুনা ইনিংস অদুগী স্কোর অদু শুপ্পগী ১১৬খক লৌখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী কেপ্টেন কাংবমনা রন ৪৪ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোয় অমত্তা রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

নাগালেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইনিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৪০০ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫ শুবা বেটচমেন শ্রিকান্ত মুনধেনা রন ১৪৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী মরু ওইবা স্কোর ওইখি।

টিম অদুগী ৩শুবা বেটচমেন রোংসেন জোনাথননা রন ৭৯ লৌখিবা, ৱিকেট ৭ লৌখিবা ইমলিৱাতি লেমতুরনা রন ৫২ লৌখিবা লোয়ননা তহমিদ রহমনগী ৪২ অমসুং য়োগেস তকাৱালেগী রন ৩৯না অচৌবা মতেং পাঙদুনা রন ৪০০ য়ৌবা ঙমখিবনি।

মণিপুরগী মায়হকদগী অনীশুবা ইনিংস শান্নবা হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওভর ৭ শুরকপদা ওপনর থোকচোম সন্তোস রন ১৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা ক্ষেত্রিময়ুম নারি অমসুং ওপনর চিংঙাংবমনা ইনিংস মখা তানা শান্নরকপদা নারি বোল ২৭ মায়োক্লরগা রন ২৭ লৌদুনা ফজ দুনা লৈরিঙৈ ২৮ শুবা বোলদা মশাদা পানবদগী শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা ঙমদনা থোকখি।

নারি মহুৎ সুল্টান করিমনা শিল্লকখি। মহাক্না চিংঙাংবমনা মণিপুরগী অপুনবা স্কোর অদু ৫৭ শুহন্দুনা লৈরিঙৈ মণিপুরগী অহানবা ইনিংসতা ৱিকেট ৭ আউট তাহনখিবা নাগালেন্দগী ইমলিৱাতি লেমতুরনা করিমবু শুপ্পগী রন ১দা আউট তাহনখি।

ওপনর চিংঙাংবম বোল ৮১ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৮দা আউট ওইদুনা মণিপুরগী ৩শুবা ৱিকেট অদু অপুনবা স্কোর ৭৬ শুরকপদা আউট ওইখি। ঙসি মেচ অদুগী নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা মণিপুরগী মায়কৈদগী শাগৎপম জয়ন্ত অমসুং থোমাস মোইরাংথেম ক্রিজতা আউট ওইদনা লৈরি। জয়ন্তা রন ২১ লৌরি। অদুবু থোমাস রন লৌবা ঙমদুনা অপুনবা স্কোর ৮৩দা লৈখিবদগী মণিপুর নাগালেন্দদগী রন ২০০ শোখদুনা লৈরি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজবু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা অনীশুবা ৱান দে মেচ অদু য়াম্না চাওনা হেন্দুনা রন ১০৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ভিসাখাপটনম, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা টুর অমা শান্নরিবা অসিগী মনুং চন্না ঙসি ভিসাখাপটনম সিটিদা লৈবা ডা. ৱাই এস রজাসেখরা রেদ্দি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু লৈবাক অসিগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না চাওনা হেখিন্দুনা মখোয় রন ১০৭তা মায়থীবা নংখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন কৈরোন পোলার্দনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী ওপনর অনী রোহিত শর্ম্মা অমসুং লোকেস রাহুলগী সেঞ্চুরি অনীনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অপিবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৩৮৭ স্কোর তৌখি।

রোহিত শর্ম্মা অমসুং লোকেস রাহুলনা ওভর ৩৬ হেন্না শান্নদুনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকী রন ২২৭ হাপচিনখি। রাহুল বোল ১০৪দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ১০২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোলি রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা অহানবা মায়োক্লবা বোলদা আউট ওইখি।

৪শুবা বেটচমেন শ্রিয়াস আয়রনা রোহিত শর্ম্মাগা মখা তানা শান্নবদা রন ২৯২ য়ৌরকখি। রোহিত বোল ১৩৮ মায়োক্লবদা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ১৭ য়ৈরগা রন ১৫৯দা আউট ওইখি। মহাকপু রিসব পন্তনা মহুৎ শিনখি। আয়র অমদি পন্তনা মথং শীৎনা রন ৫৩ অমসুং ৩৯ লৌদুনা পুন্না ৩৮৭ য়ৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লা রন ৩৮৮ লৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ৪৪ শুবগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ২৮০ খক লৌখিবদগী ইন্দিয়ানা মেচ অদু রন ১০৭তা থোইখি।

টিম অদু ওপনর সাই হোপ অমদি নিকোলাস পুরননা মথং শীৎনা রন ৭৮ অমসুং ৭৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সামি অমসুং কুলদিপ ৱিকেট ৩-৩ লৌখি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টোর্চ রিলে কুমজা ২০১১দা নুপীগী ফিফা টাইটল লৌখিবা জপানগী নুপীগী টিম্না হৌদোক্লগনি



টোকিও, দিসেম্বর ১৮(এজেন্সী): কুমজা ২০২০দা জপানগী সিটি টোকিওনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী টোর্চ রিলে অদু সুনামি, য়ুহার হাবা অমদি ন্যুক্লিয়র মেল্টদাউননা চহী ৮গী মমাংদা মাঙতাকহনখ্রবা সিটি ফুকুসিমাদা কুমজা ২০১১গা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ৱুমেন্স চেম্পিয়ন ওইখিবা জপানগী টিম অদুনা হৌদোক্কদৌরি।

ওলিম্পিক্কী ওর্গনাইজরনা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক্কী মৈ অদু কুমজা ২০২০গী মার্চ ২৬তা জপানগী খোঙচৎ অদু ফুকুসিমাগী জে-খুঙ্গংদা লৈবা স্পোর্টস ট্রেনিং সেন্টরদগী হৌগদৌরি।

মফম অদুদগী হৌরগা জপানগী প্রিফেকচর ৪৭ ফাওদুনা নুমিৎ ১২১গী খোঙচৎ অদু হৌদুনা মাউন্ট ফুজি অমসুং হিরোসিমা পিছ মেমোরিএল পার্ক ফাওদুনা চৎকদৌরিবনি।

কুমজা ২০১১দী ফিফা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ অদুদা টাইটল ফংবা ঙমখিবা জপানগী টিম অদুগী শান্নরোয় অমা ওইখিবা অয়ুসা ইৱাসিমিজুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুবু অমত্তা ওইনা ওলিম্পিক গেমস অদুনা পুরকপা ওইরসুন হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। ওর্গনাইজরশিংনা ওলিম্পিক গেমস অসিনা কুমজা ২০১১গী মার্চ ১১দা থোকখিবা অৱাবা থৌদোক অদুগী শেমগৎ-শাগৎলিবা থবক থৌরম কয়া অদুবু মালেমদগী মীয়ামদা উৎপগী তাঞ্জা অমসু লৌগদৌরিবনি।

২০২০গী মার্চ ১২দা গ্রিসকী ওলিম্পিয়াদা ওলিম্পিক্কী মৈ অদু লৌরবা মতুং লৈবাক অদুদা নুমিৎ ৮নিগী খোঙচৎ লোয়রবা মতুং টোকিওদা মার্চ ১৯দা য়ৌরক্কনি।